HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



খাঙবোক পার্টটুমাইস্লম লৈকায়দগী ৱাই কে কোলেজগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা খুন্দ্রাকপম জুগিন্দ্রোনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কোলেজ অসিগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা


এম এস কে এগী ৫২শুবা ওল মণিপুর... লামায় ২
লামায় ৪ অনৌবা মণিপুর অমগীদমক অনৌবা...
বৃটিশকী কোলোনিএল শাসন লৈরিঙৈদা... লামায় ৫
লামায় ৬ নেশনল হায়ৱেদগী পোৎ-চৈ পুশিল্লক্লগা...
অসাম এসেমব্লিনা য়ু সী সী বিল... লামায় ৮
লামায় ১০ শুটর ১৫০না শরুক য়াদুনা ইম্ফাল...


শাবা হেনগৎলকপগা মরী লৈননা মৈহৌ-লাংপোক অমসুং মহৌশাগী খুদোংথীবশিংদগী চেকশিন্নবা ফায়র সর্ভিস দিপার্টমেন্টনা স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা মোক দ্রিল পাঙথোক্তুনা তাকপী-তম্বীখিবা



Vol. 51, Issue No. 64 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ | শগোলশেন, ইঙাগী ১২নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, May 28, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# সুপ্রিম কোর্টনা মণিপুরগী লানগী থৌদোকশিংগী কেসশিংগী ব্রায়েল থুজিন্নবা অমসুং ষ্টেটস রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনখ্রে



**ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস বি আর গভাইনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা মে ৩,২০২৩দগী মণিপুরদা থোরক্লিবা লানগী থৌদোকশিংগা মরী লৈনবা কেসশিংগী ৱায়েলগী খোঙজেল য়াঙশিন্নবা অমসুং থৌদোকশিং অসিগী কেসকী প্রোগ্রেস পীরক্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা খঙহনখ্রে।

লানগী থৌদোকশিংগী মনুংদা নুপী অনীদা ফজদবা থৌওংশিং চখখি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা সী বি আইনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাদুনা জুদিশল কষ্টদিদা থল্লকপদগী গৌহাটি হায় কোর্টনা সেপ্টেম্বর ৮,২০২৫দা বেল পীখিবা অরুন খুঙ দাংবম অমসুং নামৈরাকপম কিরন মৈতৈগী বেল ওর্দরবু সী বি আইনা চেলেঞ্জ তৌরদুনা এপেক্স কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিশন অমা লৌখৎতুনা খন্নরকপদা দিরেক্সনশিং অসি চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চ অসিনা পীখিবনি।

জষ্টিস জয়মালিয়া ভাটচি য়াওবা বেঞ্চ অসিনা মখা তানা পীখিবা দিরেক্সনশিংগী মনুংদা মণিপুরগী ভাইওলেন্সকা মরী লৈনবা কেসশিংদা পন্থদনা মীৎয়েং চঙগদবনি অমসুং লোগী ওইবা থবক থৌরমশিংগী খোঙজেল য়াঙশিলহনগদবনি হায়খি।

মসিগী মথক্তা হৌজিক ৱায়েল চথরিবা কেসশিংবুসু অথুবা মতমদা অরোইবা ৱায়েল পুরক্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

মণিপুরগী লানগী থৌদোকশিংগী মতাংদা লৌখৎপা কেসশিংগী মনুংদগী খরা পায়দুনা ইনভেষ্টিগেশন চথরক্লিবা সী বি আইদসু কোর্টনা মণিপুরগী লোল নীংথিজনা খঙবা লিগেল এইদ কাউন্সেলশিং থমদুনা ৱায়েল চথরিবা কেসশিংগী ভিক্টিমশিংদা ৱাখল তাহনগদবনি হায়খি।

ভিক্টিম ফেমিলিশিংদা লিগেল এইদ পীবনা কেসশি অসিগী ৱায়েলদা অপনবা পীহল্লোইদবনি হায়নসু খঙহনখি।

সী বি আইগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী থৌদোকশিংগী এজেন্সী অসিনা ইনভেষ্টিগেশন চথবা কেসশিংগী মনুংদগী চার্জশীট ২০ মরী লৈনবা কোর্টতা ফাইল তৌখ্রে অমসুং কেস ১৬কীনা ৱায়েল চথবা হৌখ্রে হায়রি।

স্পেশল ইনভেষ্টিগেশন টিম (এস আই টি) গী রিপোর্ট মতুংইন্না মণিপুরগী লানগী মনুংদা থোকপা থৌদোকশিংগী অপূনবা কেসশিংগী মনুংদা এক্সুজনি হায়দুনা মরাল শীরবা মীওই য়াওনা ৪০০ হেনবগী মথক্তা চার্জশীট ২০৭ ফাইল তৌখ্রে হায়রি।

চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চ অসিনা লিগেল প্রোসিদিংদা কেসশিংগী ভিক্টিমশিংনা থাজবা থমহনবগী থবক মরু ওই হায়রদুনা মথৌ তারক্লবদি 'কনফিদেন্স বিল্ডিং'গীদমক থবকশিং পায়খৎকদবনি হায়খি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# বোর্দরদগী কিলোমিটর ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ষ্ট্রকচরশিং লৌথোক্নবা অমিট শাহনা খঙহনখ্রে

**লৈবাক অসিগী দেমোগ্রাফিক চেঞ্জগী মতাংদা য়েংশিন্নবা হায় লেভেল কম্মিটি অমা শেম্নক্লিবসি পুৱারী ওইহৌরগদবা খোঙথাংনি : চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দ**



**ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :**

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ঙরাং বিকানরদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া-পাকিস্থান অনীগী তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা রাজস্থানগী বোর্দর দিষ্ট্রিক্টশিংগা মরী লৈনবা সিক্যুরিটিগী ইস্যুশিং য়েংশিনবা রিভিয়ু মীটিংদা শরুক য়ারদুনা লৈবাক অসিগী ইন্টর্নেল বোর্দরদগী জিরো কিলোমিটরদগীনা কিলোমিটর ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মখল পুম্নমক্কী ষ্ট্রকচরশিং য়াওনা ইল্লিগেল ওইনা শাগৎপা কন্সত্রক্সনশিং লৌথোক্নবা অকনবা পাউতাক পীখ্রে হায়রি।

লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিংগা মরী লৈনবা হোম মিনিষ্টরনা প্রিসাইদ তৌবা রিভিয়ু মীটিং অসিদা রাস্থানগী চীফ মিনিষ্টর ভজনলাল শর্ম্মা, ষ্টেট অসিগী সিনিয়র ওফিশলশিং, দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিং অমসুং রাজস্থানগী বোর্দর দিষ্ট্রিক্ট মঙাগী পুলিসকী এস পিশিংনা শরুক য়াখি।

মীফম অসিগী মতাংদা হোম মিনিষ্ট্রিনা থোকপা চেরোল অমদা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিংদা দ্রগকা মরী লৈনবা থৌদোকশিং য়াওনা অতৈ ক্রাইমশিংগী নেটৱার্কশিংগী মথক্তা চেকশিন্না য়েংশিনগদবনি অমসুং থৌদোকশিং অসি অমুক হন্না মায়োক্নরক্তনবা মতম চুপ্পগী ওইবা থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি হায়রি।

হোম মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অসিদা বেঙ্কশিংনা বোর্দর এরিয়াশিংদা বেঙ্কিং ত্রাঞ্জেক্সনশিং পাঙথোকপগী থবকশিং অমসুং লোগী ওইবা থবকশিং পাঙথোক্লবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা থৌদাং হেন্না চাউনা লৌগদবনি হায়নসু খঙহনখি।

থবকশিং অসিগী মনুংদা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা অচৌবা বিজিনেস ইষ্টাব্লিশমেনশিং ভেরিফাই তৌগদবনি। মখোয়গী ফন্দিং কদাইদগী লাকপনো য়েংশিনগদবনি। শাশিন্নবা কম্পনিশিং য়াওব্রা অমসুং শেমজিন শাজিনবা আধার কার্দশিং মশক খঙদোক্তুনা ঙমখৈ লান্না চথবা স্মগ্লিংগী থবক কন্ট্রোল তৌগদবনি হায়খি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম, ষ্টেট লৈঙাকশিং অমসুং সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## 'ইদ-উল-অধা'গী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি



**ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):** মণিপুর লৈঙাক্না থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইদ-উল-অধা থৌরমগী মাঙওইন্না য়াইফপাউজেল পীনরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা ঙসিদগী মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ

**ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):** কুকি ইনপি মণিপুরনা লাইনীংগী লুচিংবা অহুম এম্বুশ তৌদুনা হাৎখিবা থৌদোকপু জুদিশল ইনক্বারি তৌগদবনি অমসুং ফাজিন্দুনা থল্লক্লিবা চীংগী ফূরুপ অনীগী মীওইশিংবু তেক্ত-কায়দনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## এম য়ুগী মহৈরোয় নুপীমচা ১ থৌরী য়ান্দুনা শিরল্লে

**ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):**

ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা শীংজমৈ পি এসনা কোনবা চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকায়দগী মীওই অমনা শীংজমৈ পুলিসতা ফাইল তৌরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী নাইতোম পোকচবী মশাগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## খূৎশু-খূৎলায়শিং ফাগৎলে

**ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):** ঙরাং চুড়াচান্দপুর পি এসনা কোনবা হেংকোট খুলগী ফোরেষ্ট এরিয়াদগী মেগজিন ২গা কোন্নবা এ কে রাইফল ১, মেগজিন য়াওবা মার্কটু রাইফল ১ য়াওনা নোংমৈ মচা অমসুং অচৌবা, আই ঈ দি অমদি ৱায়রলেস সেট ২নচিংবা ফাগৎলে হায়রি।

# চোঙথোক-চোঙশিন তৌবা ১সুং সেন্টরদগী নীরগা চাবগী কলচর ১মণিপুরদা লাইচুরিবসি মূখৎকদবনি : আর কে নিমাই



**ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :** সেন্টরগী য়াকা য়েংলগা থবক তৌবা, অচুম-অরান খল্লগা থবক তৌবা ঙমদবা, মশাগী ফিরেপ লৈজদবা পোলিটিকেল রাইটস খঙদবা, মশাগী খুদোংচাবা ওইজবা থিদুনা পোলিটিকেল পার্টি অমদগী অমদা কোইচোঙ চোঙবা অমসুং সেন্টরদগী অদুমক নীরগা চাবগী কলচর অমা মণিপুরদা লাইচুদুনা লৈরিবসি মূখৎপা মথৌ তারে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী থবক্তগী পোত্থারবা আই এ এস, আর কে নিমাইনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি য়ুনাইটেদ রিজনেল পিপলস প্লেটফোর্মনা শীন্দুনা খুরাইগী চনুরা লৈকোলদা মণিপুরস প্রেসিং চেলেঞ্জেস : কোলিং ফোর এ রিজনেল পোলিটিকেল অলটর্নেটিভ হায়বা পান দমদা ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ হুম্নি চথগদবা ষ্টেট লেভেল কম পব্লিক দিস্কোর্স হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঈরাং থোকপা মফমদা শেল য়াম্না থাদরগা শেল হৈনহল্লবদি মীওইবসি ঙাওই হায়বা ইন্দিয়া লৈঙাক্না খঙদুনা মণিপুরদা শেল থাদরি। মীয়াম্না সেন্টরনা থাদরকপা শেলদা ঙাওরি। মসিনা নীরগা চাবগী কলচর অমসু লাইচুরি। নীরগা চাবা অমদি হিংবগী কলচর অসি শেমদোকপা চঙই। ঈরাং লৈবা মফমদা শেল থাদদুনা মীওইশিং শেলনা ঙাওহনবগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# বি জে পিনা পৱার পায়নবা হোৎনরিঙৈদা মীয়ামদি অৱাফমদা তারে : ইবোবী



**ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :**

ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা এম পি সী সীনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকপা লৈবাক অসিগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা জৱাহরলাল নেহরু লৈখিদবগী ৬২শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওক্রম ইবোবীনা বি জে পি লৈঙাক্না লৈবাক্কী তুংলমচৎ য়েংবগী মহুত্তা মীখলদা মায় পাক্নবা হোৎনরগা লাকপনা ঙসিদি লৈবাক অসিদা মখল কয়াগী অৱাবশিং মীয়াম্না মায়োক্নরে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা পন্দিট নেহরুনা ইন্দিয়া নীংতম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বদা নত্তনা নন এলাইএন্স মুভমেন্ট শাগৎতুনা লৈবাক অসিবু অতোপ্পা লৈবাকশিংগগী মরক্তা অফবা মরী থমদুনা মীপাল তাংদনা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরমখি। মালেমগী চাওখৎপা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইহন্নবা য়ূম্ফম থোল্লমখি হায়খি।

অদুবু ঙসিদি বি জে পিগী লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী তুংলমচৎকী মতাংদা খন্থদনা মতৌ করম্না ইলেক্সনদা মায় পাক্কনি হায়বখক খন্দুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক পায়খৎলক্তবদগী ঙসিদি লৈবাক অসিদা এল পি জি য়াওনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নহল্লে। চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অহুমশুবদা লৈরম্বা ইন্দিয়া ঙসিদি জপান অমসুং জর্ম্মনিনা হাইগৎখিদুনা তরুকশুবদা হন্থরক্লে হায়খি।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্না হায়, মণিপুরদা চথরিবা মীহাৎ-মীপূনগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# মহৌশাগী লৌউ-পথাপ্না অকোয়বগী খল কায়থরকপা থিংবদা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি

অল্কা থোকচোম



প্রোফেসর কে নন্দিনি (দিন, কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর, সী এ য়ু)



নেচরেল ফার্মিং নৎত্রগা মহৌশাগী লৌউ-পথাপ শীজিন্নবনা মীওইবগী হকচাংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

**ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :** হৌজিক মীয়াম্না নেচরেল ফার্মিং নৎত্রগা মহৌশাগী ওইবা লৌউ-পথাপ হায়না খঙনরক্লিবা লৌউবা অমসুং মনা-মশিং থাবগী কাঙলোন মখল অসি এগ্রো-ইকোলোজিকেল মেথদকী মনুং চল্লি। কাঙলোন অসি মহৌশাগী খূৎশেমদগী শেমজবা তীলহাৎ হীদাক অমসুং ষষ্টি-ষণয়ুংনা ওইহল্লকপা লৈবাক-লৈহাও ফহন্নবগী হারশিং শীজিন্নবগী কাঙলোননি। মসিনা কনভেন্সনেল মেথদ অমা ওইরক্লিবা কেমিকেল বেজগী পোথোকশিং অমত্তা শীজিন্নদনা চথবা লৌউ-পথাপ ওইরিবনি।

# ষ্টেট খরদা বি জে পিনা পৱার পায়নবা হোৎনখিবগুম্না মণিপুরগী ঈরাংগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনরম্লবদি ঈং-তপ্লমগনি : য়ুব সেনা মণিপুর



**ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :** হন্দক ষ্টেট মরি অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি অমদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা পৱার পায়হৌনবা হোৎনখিবা অমসুং মসিগীদমক লৌখিবা থৌদাং অদুগুম্না মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনরম্লবদি ষ্টেট অসি নহান্না ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লমগনি হায়না য়ুব সেনা মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট কোওর্দিনেটর নোংমাইথেম সঞ্জয়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি কোঞ্জেং লৈকায়গী এরিওপর্ল ফূদসকী হোলদা সিব সেনা মণিপুরগী য়ুথ ৱিং ওইরিবা য়ুব সেনানা শীন্দুনা পার্টি অসিদা নৌনা য়াওরকপা য়ুথশিংবু তরাম্না ওক্তুনা ফম শিন্নবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা য়ুব সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইনাম য়াইফবনা পার্টি অসিদা নৌনা য়াওরক্লবা য়ুথ ৫০ রোম্বু পার্টিগী লেংয়ানফি খুদোল তমদুনা তরাম্না ওকখি।

ষ্টেট কোওর্দিনেটর এন সঞ্জয়না মখা তানা হায়, মণিপুরগী ঈরাংসিদা ষ্টেট অমদি সেন্টরগী বি জে পিনা লৌরিবা থৌদাংশিং পেন্নীংঙাই ওইদে। ষ্টেট খরগী ইলেক্সনদা বি জে পিনা অহিং নুংথিল খায়দনা ঙমজবা পৱার ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## লিতানদা অমুক্কসু কাপ্নখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):**

মতম খরগী মমাঙদগী লিতান পি এসনা কোনবা মোঙ্কোৎ চেপু, সঙ্কাই, লৈঙাং চীং অমদি সিকিবুংনচিংবা মফমশিংদা ফূরুপ অনীগী খূৎলায় পায়বা মশেলগী মরক্তা য়াম্না তোয়না খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং থোরকখ্রবা মতুং ঙরাংসু নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদগী হৌরগা নুমিদাং পুং ১১ তারকপা ফাওবদা হায়রিবা খুলশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কুকি টেররিষ্টশিং অমসুং তাঙ্খুল ভোলন্টিয়রশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখ্রে। থৌদোক অসি পুলিসতগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্নসু কনফার্ম তৌখি। নাকল অনীনা ওনশিন্নদুনা খূৎ থোক্লরকপদগী সী আর পি এফনা নোংমৈ কাপ্নফম তম্না নোংমৈ অমসুং ছর্চ লাইট কাপখৎপদগী লেপখি হায়রি।

# মাইস্নাম দেভিদনা 'মিষ্টর হেরিটেজ ২০২৬'কী টাইটল লৌরক্লে



**ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :** উরিপোক খুমন্থেম লৈকায়দগী মাইস্নাম দেভিদনা থা অসিগী ২০দগী হৌরদুনা ২৬ ফাওবা ফিলিপিন্সকী মনিলাদা লৈবা পাসিক সিটিদা পাঙথোকখিবা মিষ্টর হেরিটেজ ২০২৬কী চাংদম্নবদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুবদা টাইটল অসিমক ফংবা ঙম্লকখ্রে।

মহাক মশাগী চহী ১৯ খক্তমক শুরিবনি। মহাক্না মালেমগী থাক্তা লেমজনীংঙাই ওইরবা 'মিষ্টর হেরিটেজ ২০২৬'কী মনা ফংলকপদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা মহাক্কী সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্মগী খূৎথাংদা থাগৎপা অমসুং হরাওবা ফোঙদোরকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মিষ্টর হেরিটেজ ২০২৬কী টাইটল ফংলক্লিবসি মণিপুর অমসুং নোর্থ ইষ্টকী ওইনা চাউথোকচনীংঙাই ওইরবা অতোপ্পা এচিভমেন্ট অমনি। মসিনা ঐখোয়গী নহাশিংদা লৈরিবা মতিক-ময়াইশিং মালেমগী ফম্বাক্তা উৎথোকপা ঙম্লে হায়রি।

# সিফাইনা ঙাক্তুনা মোরেদগী বসতা ইম্ফাল তম্না লাকপদা 'নখোয় হল্লক্কনু, হল্লক্লবদি হাৎকনি' হায়না লাউশিল্লকখি : সুবিতা

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
মোরে ৱার্দ নম্বর ৭ হেনৌমখোঙদগী খুঞ্জা

**(ঙরাংগী মখা...)** মোরে ৱার্দ নম্বর ৭ হেনৌমখোঙদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক ফাওবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৩৯শুরবী ইরেংবম সুবিতানা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, মোরেদা লৈবা সিফাইগী কেম্পতা নুমিৎ ১৫নি রোম লৈরল্লবা মতুং সিফাইনা ঙাক্তুনা বসতা তোংহল্লগা ইম্ফাল তম্না পুরকখিবগী লম্বীদা কুকি লমহেনবশিংনা ঐখোয়না তোংলিবা বসতা লাউশিল্লকপদা নত্তনা নুঙনা ফাওবা থোমজিল্লকখি অদুগা ঐখোয়দা ওনশিন্দুনা নখোয় অমুক হন্না হল্লক্কনু, হল্লক্লবদি হাৎতোক্কনি হায়না লাউশিল্লকখি।

কুকিশিংগী মরক্তগী মীওই খরনদি নখোয় আদা নুংঙাইনা লৈরুরোকো হায়না লাউরকপসু য়াওরকখি। য়াম্না ৱানা অমসুং পূক্নিং থৱায় লাংতক্নুনা মোরেগী সিফাইগী কেম্পতগী লাক্লগা পল্লেল য়ৌশিল্লকখি। পল্লেল য়ৌরকপদদি ইচানুপাদা মহাক কদাইদা লৈরি হায়না হংলুবদা মহাকসু সিফাইগী কেম্পতগী পুথোরকপদা য়াওরক্লে হায়দুনা ইমা-ইচা পল্লেলদা উন্নখি।

পল্লেল য়ৌরবনিনা ককচীং খুনৌদা ইপুরোইবগী মচেগী য়ুমদা মতম খরা লৈরুরসি হায়নরে। ইচানুপীদি মখোয়দা লৈরুরনি হায়না চৎখ্রে। ঐনা নুমিৎতুমা পল্লেলদা লৈরগা নোং ঙাল্লবা মতুং অমুক হন্না পল্লেলদগী পুবীরক্তুনা খুমন লম্পাক্তা থুংখি। ঐখোয়না খুমন লম্পাক য়ৌবা মতমদা লৈরমখিবা মীয়াম্না ঐখোয়দা উৎপীখিবা মীনুংশি কয়াদু নীংশিংলুবদা পূক্নিং নুংশিরকই।

ঐখোয়দা পীজ-পীথক্লবা থৌরাং তৌরম্বশিং অদু খল্লুবদা য়াম্না পেনখি। ইরোম্বা ওইরবসু হাওনা চামিন্নখি অদুবু ইচাশিংদি ককচীংদা লৈখিবনিনা খুমন লম্পাক্তা য়ৌশিল্লকখিদে। খুমন লম্পাক য়ৌরবসু মফম অদুদা ঐখোয়গী লৈফমগী মতাংদদি মী য়াম্নমবনিনা চীনবদগী অকাম্পাৎতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরুনবা হায়নরে। ককচীংদা লৈহৌবা ইচাশিংসু কৌরগা পূন্না লৈরুরসি হায়বদগী ঐহাক ইচাশিংগা লোয়ননা অকাম্পাৎকী রিলিফ কেম্পতা চৎতুনা লৈরক্লিবনি। অকাম্পাৎতা লৈরবনিনা মফম অদুদা লৈবা স্কুলদা ইচাশিংবু থাদুনা মহৈ তমহনবা তাখি। মোরেদা লৈরিঙৈদদি ইচাশিংবু প্রাইভেট স্কুলদা তম্লকপনিনা পুমখেন খেন্নখি। (মথং-মথং)

# খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ফ্লাইওভর মনাক্তা চাক্নি-ফিনিরম্বী চহী ৭কী নুপীমচা ১ মহৈ-মশিং তমহল্লগনি



**ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুর কম্মিশন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) গী প্রোগ্রাম ওফিসর সুমেল য়ূম্নামগী চেরোল অমদা পোকপদগী মহৈ-মশিং তম্লক্ত্রিবী মশাগী চহী ৭ রোম শুরক্লবী নুপীমচা অমা চহী য়াম্লবা হাট্টা গোলাপতিদগী হামিদা খাতুন কৌবী নুপী অমগা লোয়ননা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ওভর ব্রিদজ মনাক্তা চাক্নি-ফিনিদুনা লৈরম্বদগী সোশল অপলিফ্টমেন্ট এসোসিএশননা থেংনদুনা কম্মিশনদা মহাক্কী মতেং ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫